# হীদাক কান্নরবা পাম্বীশিং ঃ কিহোরি

— ডা. হুইদ্রোম বীরকুমার সিংহ —
সী এস আই আর ঃ নোর্থ ইষ্ট ইনষ্টিট্যুট ওফ সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজি, লম্ফেলপাৎ



*কিহোরি নৎত্রগা গিহোরি* পাম্বী অসি ময়াম্না থোইদোক্না শকখঙনবিদ্রবসু মহৈ অসি তোপ তোপ্পা মহাও লৈবা হৈ মখল অমনি। কিহোরি পাম্বী অসি ইংলিসতা ষ্টার গুজবেরী (Star gooseberry) নৎত্রগা মালেগুজবেরি (Malay gooseberry) নৎত্রগা টাহিসিয়ান গুজবেরী (Tahitian gooseberry) নৎত্রগা ষ্টার বেরী (Star berry) নৎত্রগা ৱেষ্ট ইন্দিয়ান গুজবেরি (West Indian gooseberry) নৎত্রগা ওতাহিতে গুজবেরি (Otaheite gooseberry), বঙ্গলাদেসিদা ওরবোরোই (Orboroi), প্যুরটো রিকোদা গ্রোসেলা (Grosella), জামাইকাদা জিম্বিলিন (Jimbilin), ফিলিপিন্সতা কারামে (Karamay), শ্রীলঙ্কাদা রাতা নেল্লি (Ratanelli), মালেসিয়া অমসুং ইন্দোনেসিয়াদা সর্মাই (Cermai), মালডিপসতা গোনবিলি (Goanbili), হিন্দিদা হরফরৌরি (Harfarauri), মারাথীদা হরফরোরি (Harfarori), টামিলদা অরানেল্লি (Aranelli), কোনকানিদা রাজামবেলি (Rajamvali), সাইন্টিফিক নৎত্রগা বোটানিকেলগী ওইবা মমিংদা *ফাইলানথস এসিদস (Phyllanthus acidus (Linn.) Skeets)* নৎত্রগা *ফাইলানথস দিসটিক্স (P. distichus Mull. Arg)* নৎত্রগা *শিক্কা এসিদা (Cicca acida Merr.)* নৎত্রগা *শিক্কা দিসটিকা (C. disticha Linn.)* নৎত্রগা *এভেরুৱা এসিদা (Averrhoa acida Linn.)* হায়না কৌই অমসুং *হৈগ্রুগী* শাগৈ *য়ুফোর্বিয়েসী (Euphorbiaceae)* নৎত্রগা *ফাইলানথেসী (Phyllanthaceae)* দা চল্লি। কিহোরি পাম্বীগী জিনস (Genus) ফাইলানথস অসি গ্রীক্কী ৱাহৈদগী লৌথোকপনি অমসুং মসিগী ৱাহন্থোক্না ‘মনা-লৈ’ হায়বদি পাম্বী অসিগী মনা অমসুং লৈশিং অসি য়াম্না নকশিন্ননা পানবদগী থোনখিবনি অদুগা স্পেসিসকী মমিং এসিদস হায়বসিনা মহৈ অদু য়াম্না শিনবদগী থোনখিবনি।

কিহোরি পাম্বী অসি এসিয়াগী শারপ তৌবা ত্রোপিকেল অমসুং সব ত্রোপিকেলগী লমদমশিং কেরিবিয়ানগী লমদমশিং, ময়ায় থংবা অমসুং খা থংবা অমেরিকাগী লমদমশিংদা হৌই। পাউদম অমগী মতুংইন্না পাম্বী অসি মাদাগাসকর অমসুং মালে ঈথৎশিংদগী হৌরকখিবনি হায়না পাউদমলি। Eduardo Quisumbing গী মতুং ইন্না কিহোরি পাম্বী অসি মৈহৌরোলগী মতমদগী ফিলিপিন্সতা থাদুনা লাক্লি। কিহোরি পাম্বী অসি ইন্দোনেসিয়া, খা থংবা ভিয়েটনাম, লাওস, অৱাং থংবা পেনিন্সুলার মালেসিয়া, ইন্দিয়া, কম্বোদিয়া, থাইলেন্দ, গ্রেনাদা, অমেরিকাগী হাৱায় (Hawaii) ঈথৎশিং, ফ্লোরিদাগী মফমশিংদা থানৈ। পাম্বী অসি পেরু, ব্রাজিল, মেক্সিকো, কলম্বিয়া, ইক্বেদর অমসুং ভেনেজুলাদসু অদুমক থানবগী পাউদমশিং লৈ।

অতৈ হৈ পাম্বীশিংদা তৌনদবগুম কিহোরি পাম্বী অসি চহী অমদা মপান অমসুং মহৈ অসি অনীরক পাল্লি। পাম্বী অসি সেমি-দেসিদুওস হায়বদি চহী অমগী মনুংদা মতম খরদি মনা অদু ফনা য়াম্না কেল্লি।

ইন্দিয়া অমসুং ইন্দোনেসিয়াদদি কিহোরি পাম্বীগী মনা অসি এঙ্খাং ওইনা থোংদুনা চানৈ। কিহোরিগী মহৈ অসি য়াম্না পাম্না চানৈ। ইন্দোনেসিয়াদদি কিহোরিগী মহৈ অসি এঙ্খাং থোংবদা মহাও হেঙ্গৎহনবা মচল অমা ওইনসু হাপ্নৈ। কিহোরিগী মহৈ অসি থুম খরগা অচার শেন্বা, চিনিগা হৈঙান (কেন্দি) শেন্বা অমদি মখল মখা কয়াগী অচাপোৎ শাবদা শীজিন্নৈ। ফিলিপিন্সতদি কিহোরি মহৈ অসি ভিনেগর শাবদা শীজিন্নবগী পাউদম লৈ অমসুং কৈথেলশিংদা মরাং কায়না য়োনবা থেংনৈ। মালেসিয়াদদি কিহোরি মহৈ অসি হৈ মহি ওইনসু শেম্নৈ। থাইলেন্দদা য়াম্না পাম্না চানরিবা সোম-তেম (Som-tam) হায়রিবা অচাপোৎ অসি কিহোরিগী মহৈদগী শাবনি।

কিহোরি পাম্বীগী মহৈ অসি মীওইবগী হকচাংদা থোইদোক হেন্দোক্না কান্নবা পী। ইন্দিয়াদদি কিহোরি উগী মকু অদুদগী শউন শেংদোকপগী হীদাক অমা শেম্নৈ। কিহোরি পাম্বীগী মনা অদু শুগাইরগা শেম্বা মহি অদু খ্বাঙগী মখা থংবা শরুক্তা নাবা সিয়াতিকা, লম্বাগো অমসুং তাং চাউথোক্তুনা চীকপা-নাবদা চাং নাইনা তৈদুনা লায়েংনৈ। কিহোরিগী মরু অদু তকখায়রগা লুম্বু-লুম্বু শাবা ঈশিংদা নৈখায়দুনা পীথকপদা কের্থাটিক হায়বদি মীওইবগী অরিবা অমাংবা অদু লায়না হামদোকহনবা ঙম্মী। ইন্দিয়াদদি কিহোরি মহৈ অসি পীজদুনা লিভরগী মপাঙ্গল কন্না থম্মী হায়না শীজিন্নদুনা লাক্লি। পাম্বী অসিগী মরা অসিসু খোং হামদোকহনবা ঙম্বগী মগুণ য়াওই হায়না পাউদমলি।

চাইনাগী অনা লায়েংদা কিহোরি পাম্বী অনৌবা মনা অদু অতোপ্পা পাম্বীশিংগা য়ানশিন্নদুনা কেন্সর হায়বদি অপোম-অতং মখল খরা লায়েংদুনা লাকপগী পাউদমসু লৈ। কিহোরিগী মনা অসি ঈশিংদা ফুৎলগা পীথকপদা য়াম্না নোয়বা মীগী মশা অদু পাথহনবা ঙম্মী হায়দুনা শীজিন্নৈ অদুবু চাং য়াম্না শীজিন্নবদি ফত্তে হায়না পাউদম অদুনা মখা তারি। কিহোরিদা য়াওবা মরুওইবা কম্পাউন্দশিংদি - 4-hydroxybenzoic acid, Caffeic acid, Adenosine, Kaempferol অমসুং Hypogallic acid নি হায়নসু পাউদমলি।

# এদিটরদা থারকপা ৱাকৎ, মীয়ামগী খোল্লাউ, পাউদম অমসুং অতৈ-অতৈ

## লম্বীগীসু কৈথেলগীসু

*ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,*

***ইম্ফাল*** তুরেলগী তোর্ব্বান্দা মশাগী পাট্রাদৌনা হিংনবগী লানফমনি হায়দুনা শাগৎলক্লিবা য়ূম অমুক শিদোকখিনি, অমুক অদুমক শাগৎলকপা মসিনা করম্বা মখলগী কুম্দ্রৈ ওইদৌরিবা? অতৎ-অখম লৈতনা শরক শিদবমখৈ চৎথোক-চৎশিন তৌরিবা লম্বী সরক্তা থাদোক্তুনা থল্লিবা ষণ, শগোলনা লম্বীগী ময়ায়দা পুল্লপ-পুল্লপ পুনশিন্দুনা লৈরিবা অসিনা করম্বা মখলগী লম্বীগী লৈতেংনো? মসিগুম্বা চৎনা কাঙলোনসিবু অসুম মখা তাদুনা লৈহনখিদৌরিব্রা? ৱাহংসিমক মীচম মীয়াম অয়াম্বগী থম্মোয়দা লৈনরবনি। মরী লৈনবা গভর্ণমেন্টকী মীওইশিংনা য়াদে হায়বা অমা খঙহন্দ্রগদি মখা তানা চথুখিদৌরি। মসিনা লম্বী চৎথোক চৎশিন্দা মকা লাম্না চৎপগী খুদোংচাবা হায়বা ওইদ্রবনি।

মতম অমদা লম্বী সরক্তা থাদোক্লম্বা ষণ, শগোল ফানবা ষণগী থানা লৈরম্বগী ৱারী হৌজিক ফাওবা লৈরি। মদু মতমদুদা লম্বী চিন্দনবগী ওন্থোক্লা ফজখ্রবা কাঙলোননি। হৌজিক্কী লম্বী অয়াম্বা তোংজৈ মরীলদা শামু চৎহল্লু হায়বগী ফীভমদা লাক্লবনিনা খুদোংথিনিঙাইগী মচাক অদুমক ওইরবনি। অদুবু হৌজিক্কী য়াওলগী য়ক লাউবদা শোয়দনমক্কী অদুমক থেংনরগদবা সরক্কী ময়ায়দা থাদোক্তুনা থল্লিবা ষণ, শগোল কয়াসিবু থেংনদবা কনাবু য়াওরিবগে? পুকচেল চাউরবা চাউরবী কনানা গাড়ীদগী কুমথদুনা ষণ, শগোলশিং অদুবু হোইদোক্লম্বা লৈখ্রবগে? সোসিএল ৱার্করনি হায়রিবা মীওইদু ফাওবা লম্বী ময়ায়দা থৌশাদনা শাগুপ শায়দুনা শঙ্গু-শঙ্গু কুন্দুনা লৈরিবা ষণ, শগোলশিং অদু তান্থোকপা-হোইদোকপা লৈখিদ্রি। হায়রিবা থবকশিং অসি অমত্তা তৌদে, অমত্তা থৌৱা শাদে ঙম্নমক খঙনা খঙনা, উনা উনা অদুমক মথম্মোয়দা নাতৈ চাদেদা খল্লগা লান্থোক্লখিবা ঙাক্তনি।

গভর্ণমেন্টকী ফজরবা থৌশিল অমা ওইনা হেলমেট উপ্তবশিং ফাদুনা টি আর ককহনখি। লম্বী সরক্তা নিঙাইদনা, থৌশাদনা কুন্দুনা অমদি লেপ্তুনা লৈরিবা শগোল, ষণশিং য়ুনিফোর্ম শেৎপা সিক্যুরিটি পার্সনেল অমত্তনা মফম চানা তান্থোকপা থেংনখিবা লৈতে। মসি পংহায় হায়জিনবগী ৱা নত্তে। লমদমসিগী মীওই খুদিংমক উরবসু থেংনরবসু থবক ওইনা ওন্থোকপসিদি য়েম্নৌনবদৌনা তৌনরি। মসি ফনা নিংথিনা শেমদুনসু হুই মমৈ চুম্বগী থৌদৌ তাদনিঙাই লৈরোই।

ইম্ফাল ইষ্টকী মনুংদা লৈরিবা লমলোং কৈথেল ফনা কুইরে য়ুহার হাবদগী শিদোকখিবা অদুবু ঙসি ফাওবা অতাবী অমা খঙদনা লৈরকপা অদু উচিন নাচিন্না শাগদবা মওং মাল্লকপসি লমদমসিগী মীচম মীয়ামগী খ্বাইদগী অপেনবনি। কৈদৌঙৈ মপূং ফানা শাগদৌরিবা হায়বসিদা ৱাখল ফুংবংননা লৈরকপা ফনা কুইরক্লে। লমলোং কৈথেলদগীনা অয়াংপল্লি রোদ, জেনিমস হোস্পিটাল তাবা লম্বীসিদা চিল্লিবা মওংসি হায়রুদনা করি কান্নগনি। লমলোং কৈথেলগী মচিন হায়বদি অয়াংপল্লি তাগদৌরিবা মফমসিদা তৌরিবা লম্বীগী খূৎচিন মসিবু কৈদৌঙৈ লম্বী চাওথোকপদা য়াওদৌরিবনো? মসিদি য়াম্না থুনমক মরী লৈনবা গভর্ণমেন্টকী মীওইশিংনা থবক ওইনা ওন্থোক্তুনা পাঙথোকপীবা ফরবনি।

লম্বী পাকথোক চাওথোকপদা ইম্ফাল ইষ্টকী তঙাইমক ফদনা চাওথোক্ত্রবা য়াদ্রবা মফমশিংসিদি পন্থবা তৌদনা অনৌবা গভর্ণমেন্ট লাকপসিগা ইরোয়ননা হোৎনবীবদা মীচম মীয়ামগী অপেনবা ওইগদৌরিবনি। ইম্ফাল ইষ্টকী মনুংদা শিংথাবা য়ারবা লমলোং কৈথেলসিবু য়েংবা নুংঙাইরিব্রা? পার্টি মান্নদ্রবা মীহুৎ অনীগী লংদাইদা লৈরবা লমলোং কৈথেলগী মরাইবক মতমগা চান্নবা কৈথেল ওইরবদি নুঙাইগদবনি। মীচম মীয়ামগীদমক খনবীদুনা মচু মমেন থোকপা, মতমগা চান্নরবা কৈথেল অমা শেম্বীনবা হোৎনবীবদা মতমবু থেংমল্লবনি। অর্বানগী কৈথেললা? রুরেলগী কৈথেললা? অনীমক্কী ওইরবা লমলোং কৈথেল লমদমসিগী কুইরবা কৈথেলশিংগী মনুংদা ঙসি ফাওবা লৈরিবনি। অসুক য়াম্না চাওখৎলবা মতমসিগী কাঙলোনসিদা লমলোং কৈথেলসি করম তৌনা চাওথোকহনসিগে হায়বসিমসু তঙাইফদবা ওইরবনি। কৈথেলসিগী নোংচুপ থংবদা লৈরিবা মহৈলোইশঙ অনীসিগী মনুংদা অমা লৌথোক্লগা হাংগদৌরিবা মফমদুদা লমলোং কৈথেল চাওথোকপদা অৱাং পাংনা লম্বীগী নাক য়েত্তা শাংদোকখ্রিবা পোৎফম কয়া মসিনা লম্বী চৎথোক চৎশিন্দা নুমিৎ খুদিংগী অকায়বা ওইনবগী মচাক অমা ওইরকপা খরমখৈদি ফগদৌরিবনি।

তৌগে নীংবদা ঙমদবা লৈত্রবা গভর্ণমেন্টকী থবক থৌওংনি। শেম্লিঙৈদা মওং-মরিল তানা মচু মমেল থোক্না তুংগীসু খন্না শেম্বীবদা ইম্ফাল ইষ্টকী মনুংদা লৈরিবা ৱাংখৈ কেন্দ্র, খুরাই কেন্দ্র অনীগী লংদাইদা লৈরিবা লমলোং কৈথেল শেম্বীরকপদা মসিদা নোংমগী ওইনা পোৎফম ফমদুনা জিবিকা ওইনা হিংজরিবা মীওই কয়া তংদু লৈতাবা হায়বদু শোয়দনা ওইদৌরিবনি হায়বগী থাজবা ৱাংনা লৈরিবনি।

পূম্নমকসিগী মওং মরীল তানা থবক ওইনা পাঙথোকপীবদা অনৌবা লৈঙাকসিনা ঙমদবা লৈরোই। মপূং ফাবা ফীভম অমদা হেক লৈবদা মথংগী গভর্ণমেন্টসু অমুক হন্না লাকপা ওইরসনু হায়না তোঙান তোঙানবা ফুরুপকী তাইবঙবু শেম্বীরিবা মপূগী মফমদা অমত্তা ওইনা থৌনিগদৌরিবনি।

***অদোমগী - হেমজিৎ ইরোম্বা***
***খুরাই লাইৱাংবা মমাঙ, ইম্ফাল***

## চীংদা চৎলো, চীংখোংদগী চৎসি

*ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,*

***নোংথোম্বম বিরেন্না*** ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুংদা লৈবা হৈঙাং কেন্দ্রদগী ১১ শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লি ইলেক্সন্দা কারক্লগা মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর ওইরকপদা থোইদোক হেন্দোক্না নুংঙাই অমদি থম্মোয়দা অপেনবা অমগা লোয়ননা থাগৎপা ফোঙদোকচরি। ইম্ফাল ইষ্টতা লৈবা মীচম অমা ওইনসু চাউথোকচৈ। ঙাঙথোরকপা, তৌথোরকপদা মতিক চাবা থম্মোয় শেংবা লুচিংবা অমদি ওইগনি খল্লি। তেল্লবা মতমসিদা মণিপুরগী চীং-তমগী মরক্তা লৈনরম্বা লৈই অমদি মুথৎপীদুনা চীং-তম ইচিন ইনাওনি হায়বসি হেন্না ময়েক শেংহল্লকপগুম তৌরে। মণিপুরদা চাওখৎপা অওনবা, অহোংবা, শেঙ্গা থুমজা লৈতবা ষ্টেট অমা ওইরসনু।

ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী খুঙ্গংদা লৈবা মীচম অমা ওইনা তৌহন্নীংবা খরদং ইকায়খুম্নজরবা চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেনগী মফমদা থমজরি। ইম্ফাল ইষ্ট হায়রগসু ইম্ফালগী খুদোংচাবা ফংদ্রিবা খুঙ্গংনা অয়াম্বা ঙাক্তনি। চীংখোঙ চীংয়াদা তাবা খুঙ্গংশিং হৌজিক ফাওবা মৈ, ঈশিং ফংদ্রিবা কয়া অমা লৈরিবনি। ইম্ফালদগী খ্বাইদগী নক্না খ্বাইদগী চাওখৎতবা খুঙ্গং কয়া ইম্ফাল ইষ্টতা লৈ। ৱাখল পীকপা তাগদ্রা হায়নসু খঞ্জে। তশেংনমক্তি অৱাং লমসি থোইদোক হেন্দোক্না চাওখৎপদা অদুক্কী মতিক শোথুরি। মসি মীয়াম্নসু হেন্না খঙনরিবনি। ইকায়খুম্নজরিবা নোংথোম্বম বিরেনন মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর হেক ওইরকপদগী হায়খিবা চীংদা চৎলো হায়বা স্লোগান তাবদা অদুক্কী মতিক নুংঙাইবা ফাওজে। চীংখোংদগী চৎপা হৌগদবনিনা চীংখোঙ চীংয়াদা হৌবা তিঙ্খং-তুম্নৌ, লৈকৎ-লৈতোং কয়া তেমখাইবা তাবনি।

মমাঙগী লৈঙাক্না দোলাইথাবী প্রোজেক্ট চাদা ৯৫ হেন্না লোইশিনবীরম্লে। অৱাৎপা শরুক অসি অথুবা মতমদা লোইশিনবীদুনা ইরিগেসনগী খুদোংচাবা ফংহনবীরবদি ইম্ফাল ইষ্টকী মীচম মীয়াম পূম্নমক হায়নীংঙাই লৈতনা নুংঙাইজগনি।

লমলোং কৈথেল অমসুং কোনুং মমাঙ কৈথেল অসি মতমগা চান্নবা কৈথেল অমমমদি ওইহন্নীংই। অদুগা লমলোং কৈথেল অসিদি বজারদা লৈরিবা ইমা কৈথেলগুম্বা বিল্ডিং অমা লৈবদা থোইদোক হেন্দোক্না য়ারব্রা খল্লি। হৌজিক্কী লৈরিবা ফীভমসিদি পূক্লিং য়াম্না নুংশিনিঙাই ওইরে। মমিংতগী ওইবা কৈথেল তারে। কৈথেলগী অৱাংলোমদা কিলোমিটর অমরোম হেন্না শোরোক্কী নাক য়েৎতা, নালাদা, দুকানগী মচি মচিদা এঙ্খাং নাপী থাদুনা য়োল্লিবনি, নাতৈ চাদবা ফীভম অমদা লৈরিবনি।

অনৌবা লৈঙাক্কী নোংথোম্বম বিরেন্না মণিপুরগী সী এম ওইরকপদা থোইদোক হেন্দোক্না তৌজরিবা আশাদি লমলোংদগী পাঙ্গৈ তাবা লম্বী, লমলোংদগী তিনসিট তাবা লম্বী, লমলোংদগী শওম্বুং তাবা লম্বী অমসুং কোনুং মমাঙদগী ইরিলবুং তাবা লম্বী হায়রিবা লম্বীশিং অসি পাকফম থোকপা পাকথোকপীরগা ময়ায়দা দিভাইদর লৈহল্লগা ইলেক্ট্রিফিকেসন তৌদুনা শেমহঞ্জনীংই, তৌবিরক্কনি হায়বগী অচৌবা থাজবসু লৈজরি। মসিবু তৌবিরবদি চাওখৎপা দিষ্ট্রিক্ট অমদি মাল্লনি। থৌবালগুম নৎত্রবসু মোইরাংগুম, চুড়াচান্দপুরগুম ওইদ্রবসু। চীংদা চৎখিগদবা মরুওইবা লম্বী ঙাক্তনি, চীংদা চৎলো চীংখোংদগী চৎসি ৱারৌবিরোই।

***অদোমগী - মৈতানকৈশংবম জপান***
***য়ূম্নাম খুনৌ ময়ায় লৈকায়, ইম্ফাল ইষ্ট***

### মরোল থোকপা লাই

